ওপরেসনদা নোংমৈ ৪, রেদিও সেট অহুম ফংলে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :

হেদ ক্বাটর আই জি এ আর সাউথকী মখাদা লৈবা মন্ত্রিপুখ্রি বটালিয়ন অমদি মনিপুর পুলিসকা পুন্না কম্বাইন্দ ওইনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচনবা শামুরৌ এরিয়দা থীবা-হুন্বা চৎথবদা নোংমৈ পিষ্টোল ৪, রেদিও সেট ৩ অমদি য়াল্লবা নোংমৈ মরুগা লোয়ননা ফাগৎপা ঙল্লে হায়রি। চপচাবা পাউ অমা ফংবদগী ৱাঙ্গোই পুসিল অমদি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা এ আরগী অপুনবা টিম অমগা পুন্না শামুরৌ এরিয়াদা লালহৌবশিং চৎথোক-চৎশিন তৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী কম্বাইন টিম অসিনা শামুরৌ এরিয়াদা মোবাইল পোষ্ট মনাক্তা অচৎ-অওক চেক তৌখি। কম্বাইন্দ টিম অদুনা থি-হুন্বা চৎথবদা পিষ্টোল ৪, রেদিও সেট ৩, রাইফলগী মরু খরা অমদি পোখায়বা য়াবা পি ই কেগী মচাকশিং য়াওনা ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে।

ফ্লাইট ৮না পুশিল্লকখিবা ...

লামায় ১গী মখা... মীওই ১৬ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক্কী পুং ১০.৩৫ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া ৯১৭৪১ ফ্লাইট অসিনা দিমাপুরদা পল্লম্বা মীওই ৯ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক্কী পুং ১০.৪৫ রোম তাবদনা এয়র এসিয়া আই৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ৭৮ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১.০০ তাবা মতমদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ১১৭ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ১.২০ রোম তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭১৫ হায়রিবা ফ্লাইট অসিনা কোলকোটাদা পল্লম্বা মীওই ৪৭ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। ঙসি নুংথিল পুং ২.১৫ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ই ৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকোটাদা পল্লম্বা মীওই ১১৪ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৫৮ তাবদনা ইন্দিগো ৬ই ১৭২ ফ্লাইট অসিনা বেঙ্গলুরুদা পল্লম্বা মীওই ১১৯ পুদুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

মরক অসিদা হৌজিক মণিপুর মপান লমদা লৈবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী খরা শাথিরিবা ষ্টেটশিং মরুওইনা মহারাষ্ট্র, কেরলা, কর্নাটিকা, উট্টর প্রদেশ, টামিল নাড়ু, বেঙ্গলুরু, অন্ধ প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি ছটিসগড়নচিংবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই ১০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌনবা আর টি পি সী আরদা টেষ্ট তৌবদা মীওই পোজিটিভ ওইরল্লে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.189419
US Dollar	73.324765
British Pound	102.576337
Australian Dollar	57.513227
Chinese Yuan Renminbi	11.400849
Japanese Yen	0.675396
Malaysian Ringgit	17.831136
Singapore Dollar	55.338927
South Korean Won	0.065938
Saudi Arabian Riyal	19.553271
Thai Baht	2.360362

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up-to 22/03/21
Valid from 17/03/21
Home delivery only.....
Contact no. 9089709738, 8794622868
Office timing 8.00AM to 11AM will be delivery for 3days

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto-09-03-2021
VALID FROM 26-02-2021
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 am T0 10am

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 07/04/2021
BOOKING upto:08/04/2021
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: (KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO) 9436280866
TIMING: 8:00am to 12:00pm (HOME DELIVERY ONLY)

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to 04/04/2021
Valid from 17/03/2021
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
OfficeTiming:8am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

মমা মচা য়াওনা মীওই মরিদগী কানি কিলোগ্রাম মরি হেন্না ফারে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :

হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী লায়না লাইচৎ অসিনা নোংম-নোংমগী পোজিটিভকী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী চাংসু ৱাংখৎলকপদগী লৈঙাক্লা মীয়াম য়ূমদগী মপান থোক্তনবা কর্ফিয়ু ফাওবা থমদুনা লৈরিবা মতম অসিদা নারোলদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়াল্লবা কানি পুদুনা লাকপা মমা-মচা য়াওনা মীওই ৪ নোংপোক সেকমাই পুলিসকী কাংবুনা ফারে হায়রি।

ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৪০ রোম তাবা মতমদা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ৱিমেন পুলিস কন্সটেবল য়াওবা টিম অমনা অহানবদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক কানি পুদুনা লাকপা মমা-মচা অনী চন্দ্রখোং খুলগী চিংখোং আই ভি আরগী থুম্বুখোং লাইরেন্বী মনাক্তগী ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদুদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা এল মোলেন খুল সলাম পাতোনদগী নেমখোপকিন কিপজেন এলাইস কিমবোই (৩৮) মপুরোইবা জামিনথাং কিপজেন অমদি মহাক্কী মচানুপা মাংপিলুন কিপজেন (১৮)নি। মখোয়দগী কানি কেজি ৪গা গ্রাম ৯৯৫ রোম ফাগৎখি। হায়রিবা কানিশিং অদু মখোয়না থৌরকপা নম্বর থাদবা হোন্দা এক্টিভা অদুগী বোদিদা প্লাষ্টিক অমদা য়োল্লগা পুরকপনি। ৱাহং-পাউহং চৎথবদা মখোয়না ফোঙদোরকপদা মীওই অনী অমগসু ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অনী অদুদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোংবা খুলেন্দগী নিমজাপাউ কিপজেন (৩০) অপোকপা সৈখোকাই কিপজেন অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা মোলনোম খুলদগী সৈমিনলেং খোংসাই (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা থোংলান খোংসাইনি। মখোয়দগী নম্বর থাদবা অঙৌবা মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমা ফাগৎপসু ঙমখি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু নোংপোক সেকমাই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চৎথখ্রে।

রাজ মেদিসিটিদা কোভিদ-১৯গী ফমুং ৪২...

লামায় ১গী মখা... লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা অমদি হীরম কয়াদা মণিপুর লৈঙাক্লা হোস্পিটাল অসিদা সপোর্ট পীবীবগীদমক্তসু লৈঙাকপু থাগৎলি। ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীওইশিংনসু অথুবা মতমগী মনুংদা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ননবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। মীয়াম্নসু এস পি ও ২ অসি চাদা ৯৪দগী নেম্লো লৈরবা অমদি শ্বর হোনবদা ৱারক্লবদি অথুবা মতমগী মনুংদা হোস্পিটালদা চৎননবা হোৎনবীয়ু। কোভিদ ফ্রী ওইবা লমদম অমা ওইহন্ননবগীদমক ঐখোয় পুন্না খুৎশম্ননা চৎমিন্নসি হায়নসু রাজ মেদিসিটিগী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর হাওবিজম রাজেননা আপীল তৌরক্লি।

ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর ৫০ পীরক্লে...

লামায় ১গী মখা... য়েন্থোক্লগনি হায়বগা লোয়ননা অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জা অসিদা মতেং পীবিরকপগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টপু থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, চহী ৪৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী চথুরক্লিবা থবক অসি ঙরাংদগী হৌরদুনা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টর (সী ভি সী) অমমমদা হান্না মীওই ১০০/১০০ খক্তমক হীদাক কাপ্পলম্বদু মীওই ৫০/৫০ হেনগৎহল্লগা ১৫০/১৫০দা হায়রিবা হীদাক অসি কাপ্পগনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি (নেসনল হেল্থ মিসন), মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাইনা চেরোল অমা থোকখ্রে। মহাক্কী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা হায়রিবা হীদাক কাপথোকপগী মীশিং হেনগৎহল্লকপা অসিদা হেল্থ ক্যের ৱার্কর (ঐচ সী দব্লিয়ু) অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱার্কর (এফ এল দব্লিয়ু) শিংসু কোনশিনগনি হায়রি।

লোয়ননা চথুরক্লিবা ভেক্সিনেসন অসিগী মনুং চন্না মশাগী চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংবুসু কোভিদ ভেক্সিনেসনগী অহুমশুবা ফেজগী ওইনা হীদাক কাপথোক্লবগীদমক অথুবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈরিবা কোভিদ ভেক্সিন সেন্টরশিংনা লৌখৎপা থৌরাংশিং মপূং ফানা লোইশিনগদবনি হায়নসু খঙহনখি।

খ্বাইদগী য়াম্না নোংমতদা মীওই ১৫ শিরে...

লামায় ১গী মখা... পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেলশিংনি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনিমসতা ৯২, রিমসতা ৩৫, ইম্ফাল ইষ্ট ১২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪৯, মায়পাকপী ৪, মাদরস ক্যের ৩, আর দি ৱিং ২, সী এম সী ১, স্বিস ক্লিনিক ১৪, ইমা হোস্পিটাল ১, রাজ মেদিসিটি ২৪, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল ৩, এদভান্স হোস্পিটাল ৬, শিজ হোস্পিটাল ১৬, জিবন হোস্পিটাল ৬, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ১০৬, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ৬৯, থৌবাল ২৩, বিষ্ণুপুর ২৬, ককচীং ২৩, উখ্রুল ৬, চুড়াচান্দপুর ৩০, চান্দেল ১, সেনাপতি ২, তমেংলোং ৬, তেংনৌপল ৪, কাংপোকপী ৭, কামজোং ৩ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই ৩নি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৯১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৯৭, থৌবাল ৪২, বিষ্ণুপুর ৩৪, ককচীং ৩৭, উখ্রুল ৬, চুড়াচান্দপুর ৪০, চান্দেল ১, সেনাপতি ২, তমেংলোং ২, কাংপোকপী ৮, তেংনৌপল ৫, কামজোং ৩ অমসুং নোনেদগী ৩নি হায়রি।

হায়রিবা মীওইশিং অসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবা মেদিকেলগী মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, চেরোল অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা নাহল্লম্বদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৩৫নি। মসিগী মনুংদা ৯না সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি। অদুগা হোম আইসোলেসন্দগী ৮৯, রিমসতগী ৯, আর দি ৱিং ১২, রাজ মেদিসিটি ৪, চুড়াচান্দপুর ৪, বাল ভবন্দগী ১, শিজ হোস্পিটালদগী ৬ অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই ১নি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ৫৭৯ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইরবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৩৫,৩৫৪শুরে। অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদা ৩১,৬৯৬না জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংনি অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৬৫৮নি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফরকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩০,৫৯৮নি। হায়রিবা মশীং অসিগী মনুংদগী ফগৎলকখিবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংগী মশীং ২৭,১২০ ওইরগা সেন্ত্রেল আর্মদ সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৪৭৮নি হায়রি।

অদুম ওইনমক নুমিৎ খুদিংগী অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপদগী ঙসি ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিগী হৌজিক এক্টিভ কেস ৪,২৮০ লৈরে। হায়রিবা মশীং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংনা ৪,১০৫নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ১৭৫নি।

পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংগী মশীং ৩০০/৩০০ নৎত্রগা ৪০০/৫০০গী মথক্তা নুংতিগী হেনগৎলকপনা মরম ওইরদুনা লায়না অসিদগী ফহল্লকপা মীওইশিংগী মশীংসু চাদা ৮৬.৫৪দা হন্থহল্লকখ্রে।

নাকল অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী ওইনা মণিপুরগী হেল্থ ইনসটিট্যুসন অমসুং হেল্থ ফেসিলিটি লৈবা মফমশিংদা দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,০৩৬ অমসুং বি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩৩৩গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়বগা লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সন কাপথোকখিবা ষ্টেট অসিগী অপনূবা মীওই ২,৬৫,৯২১ শুখ্রে হায়রি।

কম্মন কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বগী মতুংইন্না থা অসিগী ৭তা ইন্দিগো ফ্লাইট নম্বর ৬-ঈ - ২৬১৫কী রো ৮-২০ অমসুং ৬ ঈ-৬৩৫৮গী রো ১-৪দা তোংলকপা পেসেঞ্জরশিংনা কম্মন কোভিদ কন্ত্রোল রুম (১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮) নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর (দি এস ও) শিংদা মখা তাবা সর্ভিলেন্স অমসুং মথৌ তাবা টেষ্টকীদমক পাউ পীরক্কদবনি হায়রি।

লোয়ননা কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অসিনা কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপথোকপা য়ারবা মীওই পুম্নমক্না রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, কম্যুনিতি হেল্টঠ সেন্টরশিং অমসুং পব্লিক হেল্থ সেন্টরশিং অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা হীদাক কাপথোকপীয়ু হায়বগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্পীয়ু অমসুং খূৎ-শা হামদোকপীবগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়রক্লি।

হায় কোর্টনা ওজা ১ এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা হাপ্পবা ...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং জুলাই ২৬, ২০১৬তা থোক্লকখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওর্দরশিংনসু চপ চাবা সবজেক্টশিং পীরক্ত্রবসু অতোপ্পা ওজাগী পোষ্ট ২০ খকসু অহেনবা ওইনা সেঙ্কসন তৌরকখি হায়রি।

ওজাশিংগী সেঙ্কসন পোষ্টশিং পীরকখিবা অসিগী মতুংইন্না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নবেম্বর ২২, ২০১৬ অমসুং নবেম্বর ২৩, ২০১১দা পীরকখিবা ওর্দরশিংনা কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিদা মসিগী অন-এপ্রুভ লেকচররশিংগী মনুংদগী এপ্রুভ লেকচররশিং মণিপুর এদ্যুকেসন কোর্ট, ১৯৮২না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না খন্ননবা ইন্সত্রক্সন পীরকখি। ইন্সত্রক্সন অসিগী মতুংইন্না কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিনা দিসেম্বর ৩, ২০১৬তা পাঙথোকখিবা বোদি অসিগী ২২শুবা মীফমগী রিজোল্যুসন নম্বর ২গী মতুংইন্না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সেঙ্কসন তৌরকখিবা ওজাগী পোষ্ট ২০ অসিদা কোলেজ অসিগী ওজাশিংবু মেনশিন্নবা মশক খঙদোকখি। হায়রিবা মীটিং অসিগী ৱারেপ অদুদা অহেনবা ওইনা এপ্রুভ তৌগদৌরিবা পোষ্ট ২০ অদুগী মনুংদা অমদি ফিলোজোফি সবজেক্টকী ওইগদবনি হায়নসু মশক খঙদোকখি হায়রি।

গভর্নিং বোদিগী ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না দিসেম্বর ৫, ২০১৬তা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরদা প্রপোজেল অমা থাখি। অদুবু প্রিন্সিপালগী মায়কৈদগী দিরেক্টরদা থাখিবা প্রপোজেল অদুবু প্রিন্সিপালনা দিসেম্বর ১৩, ২০১৬তা অমুক হন্না থাখিবা চেরোল অমনা অহেনবা ওজাগী এপ্রুভ তৌগদবা পোষ্ট ২০ অদুগী মনুংদগী ফিলোজোফি সবজেক্টকী পোষ্ট লৌথোকখি। থৌওং অসি প্রিন্সিপালনা গভর্নিং বোদিগী অয়াবা য়াওদনা চথুখিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা প্রপোজেল অদুবু এপ্রিল ১৫, ২০১৭তা এপ্রুভ তৌরকখিবা মতমদদি ফিলোজোফি সবজেক্টকী পোষ্ট য়াওরকখিদ্রে হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী মেম্বর অমসু ওইরিবা পিটিস্নর কে সোমোরজিৎনা মে ৪, ২০১৭তা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এপ্রিল ১৫, ২০১৭তা এপ্রুভ তৌরকখিবা অহেনবা ওজা ২০গী ওর্দর অদু ককথৎপীয়ু নৎত্রগা শেমদোক-শাদোকপীয়ু হায়দুনা হায়জখি হায়রি।

মহাক্কী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা রি প্রজেন্টেসন অদুগী মতুং ইনবা থবকশিং লৌখৎলক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরিনা জুলাই ৩, ২০১৭তা এদভর্টিজমেন্ট নোটিশ অমা থোকখি। নোটিশ অদুদা কোলেজ অসিগী অন-এপ্রুভ লেকচররশিংগী মনুংদগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী থাক্তা এপোইন্টমেন্ট পীনবগী এপ্লিকেসনশিং কৌখি। অদুবু হায়রিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুদা ফিলোসোফি সবজেক্টকী ওইনদি এষ্টিটেন্ট প্রোফেসরগী ফম অমুক্তসু য়াওহল্লকখিদে হায়রি।

গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী চথুরক্লিবা থৌওং অসিগী মায়োক্তা পিটিস্নর অসিগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৪৮০ ওফ ২০১৭ ফাইল তৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা এপ্রিল ১৫, ২০১৭তা অতোপ্পা অহেনবা পোষ্ট ২০গী এপ্রুভ তৌখিবা ওর্দর অদু ককথৎপীয়ু নৎত্রগনা শেমদোকপীয়ু অদুগা এপ্রুভ তৌরবা ওর্দর অদুদা ফিলোজোফি সবজেক্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী পোষ্ট অমা য়াওহনবীয়ু হায়জখি। কোর্টনা মহাক্কী পিটিসন অদু লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুং জুলাই ৭, ২০১৭তা পীখিবা ওর্দর অমনা গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরিনা জুলাই ৩, ২০১৭তা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অদু সস্পেন্দ তৌদুনা থমখি হায়রি।

চৈরক্তুদা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা রিপ্রজেন্টেসন অমা পীশিল্লুই হায়বগী মরালদা গভর্নিং বোদিনা জুলাই ৬, ২০১৭তা থোকখিবা ওর্দর অমনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌরকখি। অদুবু মহাক্কী সস্পেন্সন ওর্দর অদুমকসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা জুলাই ১৯, ২০১৭তা পীখিবা ওর্দর অমনা অমুক্তসু চৎনহন্দনা থমখিবনি।

পিটিস্নর অমসুং কোলেজ অসিগী মরক্তা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিদগী গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরিনা মহাকপু মে ২, ২০১৮দা বোদি অসিগী মেম্বর অমা ওইবদগী লৌথোরকখিবগা লোয়ননা মহাক্লা ফাইল তৌখিবা কেসশিং অদু ৱিথদ্রো তৌগদবনি নৎত্রবদি মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌগনি হায়নসু খঙহল্লকখি। অদুম ওইনমক পিটিস্নর অমসুং কোলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী মরক্তা থোরকখিবা ৱাথোকশিং অসিদগী মহাকপু অমুক্তসু সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখিবগী থৌদোকসু লৈখি হায়রি।

কোর্টনা পিটিস্নরগী ৱাকৎ অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল টি ঐচ ববিতানা লেপখি। অদুগা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী গভর্ণমেন্ট এদভোকেট অথৌবা খাইদেমনা লেপখি।

মেট্রর অসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা মসিগী হিয়ারিং মমাঙ থাগী ২০দা পাঙথোক্লগা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা এপ্রিল ২৭, ২০২১দা লাউথোকখি। লোয়ননা কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা কে সোমোরজিৎকী ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোর্টনা ওর্দর পীরিবা নুমিৎ অসিদগী পারগা থা ২গী মনুংদা খন্নগদবনি হায়বগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদগীনা চয়োল অনীগী মনুংদা মহাকপু ফিলোজোফি সবজেক্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীনবসু কোর্টনা খঙহনখি।

লেম্না ফিশাকোল য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :

মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভলপমেন্ট কোর্পোরসেনগী চ্যেরমেন শগোলশেম অচৌবনা ঙসি মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফিশাবীশিংগী শেন্থোক লন্বী লৈনবগী পান্দমদা ফিশাকোল, স্বিৱিং মেছিন, ইলেক্ত্রিক্কী তরেংনচিংবা লেম্না য়েন্থোকখ্রে।

লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি কোমথোক্লবা মতুংদা ফিশাবীশিংদা অহোঙবা মমলদা লং ফংহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অশিবা হকচাং...

লামায় ১গী মখা... থেংনরকখিবনি। মীওই অসি ব্লু ইলাষ্টিক ষ্ট্রিপসকী অন্দরৱায়র অমখক নত্তনা অতৈ ফিরোলশিং য়াওরমখিদে। ফিট ৫গা ইঞ্চি তরুক্তগীনা ফিট ৫গা ইঞ্চি ১১ রোম ৱাংই। মশা পাই হায়রি।

হিমন্ত বিশ্বানা অসামগী...

লামায় ১গী মখা... বিস্বা সর্ম অমদি এ জি পিগী প্রসিদেন্ট অটুল বোরা অমদি য়ু পি পি এলগী প্রসিদেন্ট প্রমোদ বোরোগা গুৱাহাটিগী রাজ ভাবনদা উন্নরবা মতুংদা ষ্টেট অদুগী গভর্ণরদা অনৌবা বি জে পিনা লুচিংবা হিমন্ত বিশ্বা সর্মগী লৈঙাক শেম্নবা ক্লেম তৌখ্রে।

হয়েং নিংথৌকাবা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা লুচিংবা অসাম কেবিনেটকী মিনিষ্টরশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। হয়েং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপদা গুৱাহাটিগী শ্রীমন্ত সঙ্করদেব কলাক্ষেত্রদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী বি জে পিগী মরু ওইবা মীওইশিংনা শরুক য়াগদৌরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা নৌনা চীফ মিনিষ্টর ওইরগদবা হিমন্ত বিশ্বা সর্মনা অসামগী হোম, ফাইনান্স অমদি হেল্থকী পোর্টফোলিও পায়শিল্লবা য়ানা লৈরি হায়রি।

রিমস মোর্গকী কোল্ড ষ্টোরেজ ২ মক য়াদবদগী হকচাং...

লামায় ১গী মখা... রিমস মোর্গতা থল্লিবা কোল্ড ষ্টোরেজশিংগী মশীং অনীনি। কোল্ড ষ্টোরেজ অমমমদা হকচাং ৬/৬ হাপ্পা চনবা চেম্বরশিং য়াওরিবনি। অদুবু কোল্ড ষ্টোরেজ অনী অসিগী মনুংদা খরা কুইরবা হান্নগী কোল্ড ষ্টোরেজ অসিনা শীজিন্নবা য়ারক্তবা চহী ১ হেল্লে। অদুগা খরা নৌরিবা কোল্ড ষ্টোরেজ অসিসু শীজিন্নবা য়ারক্তবা থা অনী হেনজিল্লক্লে। মরম অসিনা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্নরক্তুনা লায়না অসি খক্তনা শিহনবা মীগী মশীং হেনগৎলকপগী মথক্তা রোদ ত্রাফিক এক্সিদেন্ট (আর পি এ) য়াওনা অতৈ থৌদোক ৱাথোকশিংনা মরম ওইদুনা শিহল্লকপা অমসুং লায়েংলকপদগী কনবা ঙমদনা শিরবা মীওইশিংগী মরক্তগী তঙাইফদনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈরক্লগদি হায়রিবা থবক অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা হাকচাংশিং অদু হায়রিবা কোল্ড ষ্টোরেজ অসিদা হাপচিন্দুনা থমগদবনি। অদুগা হকচাংশিং অদুবু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌনবগীদমক মীওই অদুগী ইমুংগী নৎত্রগা মহাক্কী মায়কৈদগী মীওইশিংনা ওফিসল ওইনা আইদেন্টিফাই তৌরবা মতুংদা পুলিসনা পাঙথোক্কদবা প্রোসিজরশিং পাঙথোক্লবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌগদবনি।

করিগুম্বা মতমদা দেদ বোদি অমগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন পাঙথোরকপদা এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমা, কেস অদুগী পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর শরুক য়াবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসনগী থবক অদু ফোটো অমসুং ভিদিও কভরেজ ফাওবা তৌবা য়াওরিবনি। অদুবু হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা নুমিৎ খুদিংগী মী য়াম্না শিহল্লকপা অমসুং কালেনগী মতম ওইরকপনা শাগৎলকপগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরদুনা তঙাইফদনা হকচাংশিং কোল্ড ষ্টোরেজ অসিদা থম্ফম থোকপনি। অদুবু মোর্চুৱারি অসিগী কোল্ড ষ্টোরেজ অনীমক ফঙ্কসন তৌবা য়ারক্তবদগী হৌজিক মফম অসিদা অশিবা হকচাংশিং লৈমায়দা নৎত্রগা ফক্লাংদা নপুনা শারিবা রেক্তা থম্বগী ফীভমদা লাক্লে।

দেদ বোদিশিং থম্ফম থোক্লিবা কোল্ড ষ্টোরেজদা থম্বা য়ারক্তবদগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌবগী মতম কুইনা চঙখিগদবা হকচাংশিংদি জেনিমসকী মোর্গতা অমুক পুরগা থম্বগী ফীভমসু লাক্লে। অদুগা হকচাংশিং অদুগী পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরমদাইদা অমুক হন্না জেনিমসতগী লৌরুবগী মথৌসু তারি। হায়রিবা থৌওং অসিদি লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা কোভিদ পেসেন্টশিং য়াওরকপনা অমুক্কা হেন্নসু খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লক্লে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা হৌজিক কোল্ড ষ্টোরেজ অনীমক য়াদ্রিবা অসি মসিগী পার্ট অমা বেরা তৌরকপদগীনি হায়রি। অদুবু পার্ট অসি ইম্ফালদা ফংদবদগী তঙাইফদনা খ্বাইদগী নকপা ফংফম ওইরিবা গুৱাহাটিদগী চেনবা নৎত্রগা লৈরুবগী মথৌ তারি। অদুবু থবক অসি রিমস ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবা পাঙথোরক্তবনা কোল্ড ষ্টোরেজ অনীমক শীজিন্নবা য়াদনা কাষ্ঠ থাঙ তাদুনা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, রিমসতা কন্ত্রেক্ট বেসিসতা এনগেজ তৌদুনা চহী ২০ লোম থবক তৌরক্লিবা ষ্টাফশিং ঙসি ফাওবা রেগ্যুলরাইজেসন তৌবীদবগী মথক্তা কন্ত্রেক্ট বেসিসতা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী হোস্পিটালদা এনগেজ তৌবশিংগীনা তোলোপ পীরগা কোলেজদা য়ুটিলাইজ তৌদুনা শীজিন্নরিবশিংগীনা তোলোপ পীবিরক্তবা থা ২ রোম শুরক্লে হায়রি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৬তা রিমসকী ষ্টাফ ১৩৪ লৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট থোকখ্রবসু শুপ্নতগী হেন্দিকেপ এপ্লিকান্ট মরিখক্তমক লৌখ্রগা লেমহৌরিবা পোষ্ট ১৩০দি ঙসি ফাওবা লৌদনা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, মিজোরামগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ পেরা মেদিকেল এন্দ নর্সিং সাইন্সেসতা এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নবা কন্ত্রেক্ট ষ্টাফশিংদনা থাগী খূৎশুমল লুপা লিশীং ২০ পীরগা রিমসকী ওইনদি ঙসি ফাওবদা হৈক্রু মনাদা য়োমদুনা পীরি হায়নসু কন্ত্রেক্ট ষ্টাফশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লি।

ফ্লাইটশিংনা পুশিল্লকপা য়াওনা চঙলকপশিং...

লামায় ১গী মখা... শন্দোকহল্লকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরোইদৌবগী মরম লৈব্রা হায়বগী ৱাহংসু হংনরক্লি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেং য়াম্না কন্না মায়োক্লবা হৌরকখিবা মতমদগী লেপ্পা লৈতনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটশিংনা য়ামদ্রবদা নোংমদা মীওই ৫০০দগী ১০০০ হেন্না পুশিল্লক্লি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবগী শাশিন্নবা সর্টিফিকেট পুরকপগী ৱাথোক থোকখিবসু লৈখ্রবনি। মমাং চহীদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ য়াম্না কন্না শন্দোরকপা মতমদা মপান্দগী ফ্লাইটতা অমদি মখাগী লন্বীদা লাকপা মীওইশিংবু য়াম্না ফজবা মওংদা টেষ্ট তৌরবা মতুংদা নেগেটিভ ওইবা মীওইশিংনা মতম খরা হোম আইসোলেসন তৌনবা খঙহনখি। অদুগা পোজিটিভ ওইরম্বা মীওইশিংবুনা মাগী-মাগী মরী লৈনবা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা হাংদুনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থাদুনা মথৌ তাবা ট্রিটমেন্ট তৌনবা থৌরাং তৌখি।

অদুবু হন্দক চহীগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী অনিশুবা ৱেভকী য়াম্না লুশিল্লক্লিবা মতম অসিদদি মপান্দগী চঙলকপদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবগী সর্টিফিকেট পায়রক্কদবনি হায়বা ওর্দর খক্তমক থোক্লগা চঙলক্লিবা মীওইশিং অদুবু মীয়ামদগী লাপথোক্লা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈহনবগী খুদোংচাবা অদুদি পীদ্রি। কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবগী সর্টিফিকেট পায়রকপশিং ময়ূমদা হলহল্লি। সর্টিফিকেট পায়রক্তবা মীওইশিংবুনা টেষ্ট তৌনবা সেম্পল লৌহৌরগা অদুমক ময়ূম-ময়ূমদা হোম আইসোলেসন তৌনবগী পাউতাক পীরগা হলহল্লি। অদুবু থৌওং অসিদি লৈবাক মীয়াম্না অপেনবা ওইদ্রি।

অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ষ্টেট অসিদা মমাং চহীগী কোভিদ-১৯দগী হেন্না শাথীনা পাকশন্না শন্দোক্কনবা অমদি য়াম্না থুনসু শিহল্লিবা সেকেন্দ ৱেভ অসিগী খুদোংথীবশিং হেন্না মায়োক্লহল্লিবা অসিদা মতেং ওইগনি হায়নরক্লি। ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৮না পূন্না মীওই ৬১৪ পুশিল্লকখি। কোভিদ-১৯না চৈথেং ফংহল্লবা ইরমদম অসিগী মীওইশিং মরমদমদা হল্লকপদা করিসু অকায়বা লৈতে। চৎথোক্লরবদি হল্লকপা মশানা তাবনি। অদুবু মীওইশিং অদুবু মতম খরা মমাঙথক্তা তৌখিবগুম্না ক্বারন্টিন সেন্টরদা মতম খরা থল্লবা মতুংদা মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা হলহল্লম্লবদি ষ্টেট অসিদা ঙসি কোভিদ-১৯গী অরুবা ফীভম অমদা মায়োক্লরক্লিবা অসি লাক্লমদবসু য়াই হায়বসিনি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হেনগৎলকপা অমদি শিবগী চাং ৱাংখৎলকপনা লৈবাক মীয়াম্বু য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈহনবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা চৈথেং কয়াসু মীয়াম্না মায়োক্লরি। লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী গ্রেটর ইম্ফাল য়াওনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কর্ফিয়ু/কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবা মরম্না ইসেন্সিএল সর্ভিসকী থবক-থৌরমশিং খক্তদা নত্তনা অতোপ্পা থবক থবক-থৌরমশিং তৌবা য়াদবশিং নত্তনা স্কুল-কোলেজ, দুকান/কৈথেল পুম্নমক থিংজিনখিবনা মীয়াম্না খুদোংচাদবশিং মীয়াম্না মায়োক্লরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা থেংলবসু থেংনা মপান লমদগী চঙলক্লিবা মীওইশিংবু মীয়াম মরক্তা লৈহন্দনা মতম খরা হান্নগুম নিংথিনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্লবা থৌরাং তৌবীয়ু। ক্বারন্টিন তৌরিঙৈগী মনুংদা করিগুম্বা চঙলক্লিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরগসু কোভিদ ক্যের সেন্টর নৎত্রগা হোস্পিটালশিংদা পন্থদনা লায়েংনবগী খুদোংচাবা ফংহনফম থোকই। থবক অসিনা কন্টেনমেন্ট জোন ফাওবা লাউথোক্তুনা লৈরিবা মরম্না লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু মায়কৈ কয়াগী মীওইশিংনা পাউচে অসিগী খূথাংদা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ক্রিমিনেল জেল অপীল অনীগী জজমেন্ট অমসুং ...

লামায় ১গী মখা... কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২ অমসুং ৩৪গী মখাদা মীওই অনীসিগী মথক্তা পুলিসনা চার্জশীট ফ্রেম তৌদুনা কোর্টতা থাগৎলকখি।

চার্জশীট অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা এদিসনেল সেসন জজ, মণিপুর ইষ্টনা ৱায়েল চথুরবা মতুংদা মীওই অনীসিবু আই পি সীগী সেক্সন ৩০৪ পার্ট ২ অমসুং সেক্সন ৩৪গী মখাদা মরাল লৈরে হায়দুনা জুলাই ১৫, ২০১৩দা কোর্ট অসিনা কনভিক্সন পীখি। অদুগা জুলাই ২৫, ২০১৩দা পাঙথোকখিবা মখোয় অনীগী ওর্দর ওফ সেন্টেন্সকী মতুংইন্না মখোয় অনীনা চথুখিবা মরালগী মতুংইন্না লুপা লিশীং ১০/১০গী শেনফম ফাইন ওইনা থিবগা লোয়ননা চহী ৫/৫গী ফাদোক পীখিবনি।

অদুম ওইনমক, এদিসনেল সেসন জজ, মণিপুর ইষ্টনা মখোয় অনীবু ফাদোক পীখিবা অসিগী মায়োক্তা হৌখিবা কুমজা ২০১৩দা মীওই অনীসিগী মায়কৈদগী ক্রিমিনেল জেল অপীল নম্বর ৪ ওফ ২০১৩ অমসুং ৫ ওফ ২০১৩ হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবদগী হৌজিক্কা ষ্টেট অসিগী তোঙান্না লৈজরবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ক্রিমিনেল জেল অপীল অনীসিগী ৱায়েল চহী ৮ চূপ্না চথুরকখিবনি।

অদুম ওইনমক, মমাঙ থাগী ৮দা মেট্রর অনীমক কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চকী আইটেম নম্বর ৫০ অমসুং ৫১দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা ফাদোক পীখ্রবা মীওই অনীসিগী মায়কৈদগী মখোয়বু কনভিক্সন পীখিবা ওর্দরবু শীংনরকখিবা ক্রিমিনেল জেল অপীল অনীসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর নুমিৎ অসিদা রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবনি। কোর্টনা মেট্রর অসিগী ৱায়েল লিশাং শিংনা চথুরকখিবদা অপীলেন্ট অনীগী মায়কৈদা কাউন্সেল কে মোধুসুদোননা লেপখি।

কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লিবশিংগী মনুংদা...

লামায় ১গী মখা... গাড়ীশিং করিগুম্বা মতমদা য়ারক্তবা য়াওরকপা হায়বসি মহৌশানি। অসুম্না গাড়ী য়ারক্তবা মতম অসিদদি গাড়ীদা থাউ য়াওরগসু ‘থাঙ লৈরগা হৈ লৈতা, হৈ লৈরগা থাঙ লৈতা’ হায়বা ফিভমদু তারে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্লিবা হীরমশিং অসিগী মরক্তা গাড়ী সর্ভিসিং সেন্তরশিংবুসু য়াওহনবিদুনা তঙাইফদবা থবকশিং অসি চৎনবা হোৎনবদা অয়েৎপা অপনবা থোক্লিবা অসি কোকহনবিয়ু হায়নসু মীওইশিং অদুনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেব লাকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদসু লায়না লাইচৎ অসিগী অনৌবা কেস থেংনবগী চাং খঙৱাং ৱাংখৎলকখিবদগী মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এপ্রিল ২৯দা ওর্দর অমা থোক্তুনা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনরিবা গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়া পূম্বা কন্টেনমেন্ট জোননি হায়না লাউথোক্তুনা অথিংবা থল্লকখিবনি। অদুবু ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং মখা তানা হেনগৎলকপদগী থা অসিগী ৭তা লৈঙাক্লা অনৌবা ওর্দর অমা অমুক থোক্তুনা হান্না গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াখক্তংদা অথিংবা থল্লম্বা অদুগী মথক্তা অতোপ্পা মফমশিংসু কোনশিন্দুনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৮দা থা অসিগী ১৭ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লকখিবনি।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, চুড়াচান্দপুর অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টনি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিখক নত্তনা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদসু অথিংবা কয়া থল্লিবনি। লোয়ননা কনাগুম্বশিংনা অথিংবা অসিবু থুগাইরক্লবদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোম দিপার্টমেন্টনা এপ্রিল ২০, ২০২১দা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর ১৬/১১৫ (৫০)/২০২০-হোম (কোভিদ-১৯) গী মতুংইন্না চৈরাক পীগনি হায়বা ৱাফমসু লৈরিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ৮ অসিদা চৎনরিবা কর্ফিয়ু অসিগী মনুংদা অয়াবা পীগদবশিংগী মনুংদা অনা লায়েংগা মরী লৈনবশিং, ফার্মাসিশিং, কোভিদ-১৯ গী হীদাক কাপ্পনবা অমসুং টেষ্ট তৌননবা চৎপা মীওইশিং, পৱার সপ্লাই, ফায়র সর্ভিস, ৱাটর সপ্লাই, অমোৎ-অকায় হোন্দোকপা গাড়ীশিং, পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টম, মেদিকেল/কোভিদ সর্ভিসকী গাড়ীশিং, প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া, পেট্রোল পম্প অমসুং এল পি জি আউটলেটশিং অমদি অতৈ ইসেন্সিয়ল সর্ভিস কয়া অমা য়াওরিবনি।